# নেরোকা এফ সি শঙাকফমনা নাকো নম্বুল মপালবু অমদি য়ু কে বি চুড়চান্দপুরনা জি এস সিবু থোয়খ্রে





MSL

ইম্ফাল, মার্চ ০৫ (এস এন এস)ঃ
ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসননা শীন্দুনা খুমুকচম জয়কিসন সিংহনা স্পোন্সর তৌদুনা মমাঙ থা ৬ দগী ইম্ফালগী খুমন লম্পাক অর্টিফিসিয়েল তর্ফ গ্রাউন্দা টিম ১৫ না সিঙ্গল লেগ রাউন্দ রোবিন লীগতা শরুক য়াদুনা চত্থরিবা ১৩ শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ ২০১৯–২০গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা নেরোকা এফ সি শাঙাকফমনা নাকো নম্বুল মপালবু গোল ৬–১ দা অমদি অতোপ্পা মেটচ অমদা য়ু কে বি চুড়চান্দপুরনা জি এস সি চুড়চান্দপুরবু গোল ৫–১ দা মায়থিবা পীখি।

৫১ শুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দা শান্নখিবদা নেরোকানা নাকোবু মায়থিবা পীখিবা অসিনা নেরোকা এফ সিনা মেটচ ৬ শান্নবদা ৫ মায় পাক্লগা ১ দ্রো চৎতুনা পূন্না পোইন্ট ১৬ ফঙদুনা নিসা থাং মৈবন্দগী গোল দিফরেন্সতা খেন্নদুনা অহানবা মফমদা লৈবা ঙমখ্রে। অদুগা নাকো নম্বুল মপালনা মেটচ ৭ শান্নবদা ৩ মায় পাক্লবা ৩ দ্রো চৎতুনা পোইন্ট ১০ ফঙদুনা ৭ শুবা মফমদা লৈরি।

নাকোগী কোচ কামৈ রোংমৈনা দিফেন্সতা এল রোকিনা, মিডফিল্ডদা চরনরাইনা অদুগা এটেক্কিংদা কুলারসন অনালনা লুচিঙদুনা শান্নহনখি অমদি নেরোকাগী মায়কৈদগীনা দিফেন্সতা সিঐচ রোসননা, মিডফিল্ডদা বেঞ্জামিন লুফেংনা অমদি এটেক্কিংদা খাঙম হোরামনা লুচিঙদুনা এষ্টিটেন্ট কোচ এস প্রেমকান্তনা লুচিঙদুনা অকনবা ষ্ট্রাটিং অমা শেমখি।

মেটচ অসিগী অঙনবা মিনিটশিংদা নেরোকা এফ সিনা মশক থোক্লা শান্নখিদবা অদুগী চপ চাবা চৈরাক ফঙদুনা নাকো নম্বুল মপালগী জর্সি নম্বর ২১ পি অজাংপু কবুইগী মতেংনা মিনিট ১৮ চৎপদা চনখিবা গোলনা মাঙজিল থাদুনা চৎখি। অদুবু নাকোনা শুপ্পগী মিনিট ৬ খক মাঙজিল থাদুনা গোল মখা থানা লৈরম্বা নেরোকানা খুৎ হলক্তুনা মিনিট ২৪ চৎপদা জর্সি নম্বর ৪২ এস সুভাসনা পাঞ্জল মান্নবগী গোল চন্দুনা ১–১ দা মান্না লৈদুনা অহানবা হাল্ফ লোয়শিনখি।

অনীশুবা হাল্ফতা নেরোকানা অচেৎপা থাজবা অমগা লোয়ননা শান্নরক্তুনা বোল পোসিসনদা কন্ট্রোল তৌদুনা নাকো নম্বুল মপালবু লাকশিনখিবনা মিনিট ৫৫ চৎপদা টিমগী জর্সি নম্বর ১৭ সোনম চোথেনা মাঙজিল থাবগী গোল অদু চন্দুনা ২–১ দা লৈখি। মসিগী মতুং মিনিট ৬২ চৎপদা বেঞ্জামিন লুফেংনা বোক্স তম্না খায়রকপা ক্রোশিংদা খায়মিনথাংনা গোলদা ওন্থোক্তুনা ৩–১ দা লৈখি।

অমদি মিনিট ৪ কান্নরগা ৬৮ দা সোনম চোথেনা খায়রকপা নীংথিরবা গ্রু বোলদা সুভাসনা নাকোগী গোল কিপ্পর এ চিঙ্খেবু তুংওইনরমদুনা টিমগী মরিশুবা গোল চনখি। মেটচকী অপীবা মিনিট লোয়রমদাই ৮৪ দা অমদি অহাপ্পা মিনিট ২ দা সোনম চোথেনা মহাক্কী হেদট্রিক গোল ওইনা টিমগী মঙাশুবা অমদি তরুকশুবা গোল অদু চন্দুনা নাকোবু ৬–১ দা মায়থিবা পীদুনা পোইন্ট ৩ মুনল্লগা টেবলগী অহানবা মফম কনবা ঙমখি।

মেটচ অসিদা মায়থিরবা নাকো নম্বুল মপালগী জর্সি নম্বর ৪ কেঐচ রাজনিকান্ত অমদি মায় পাক্লবা নেরোকা এফ সিগী জর্সি নম্বর ৫ সিঐচ রোসনদা মেটচ কন্দক তৌখিবা রেফ্রিনা ফাওল শান্নবগীদমক য়েলো কার্দ বুক তৌখি।

শান্নখিবা মেটচ অসি কেঐচ ইবুংঙো, এমডি লটিফ অলি, এল রোজিৎ অমদি টিঐচ বিভেন্দ্রনা মথংশীৎনা সেন্টর রেফ্রি, এষ্টিটেন্ট রেফ্রি–১, এষ্টিটেন্ট রেফ্রি–২ অমদি ফোদ ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

৫২ শুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দা শান্নখিবা মেটচতা য়ু কে বিনা চুড়চান্দপুরনা জি এস সি চুড়চান্দপুরবু মায়থিবা পীখিবা অসিনা য়ু কে বিনা মেটচ ৭ শান্নবদা ৪ মায় পাক্লগা ২ দ্রো চৎতুনা পোইন্ট ১৪ ফঙদুনা ৪ শুবা মফমদা কাখৎপা ঙমখ্রে। অদুগা মায়থিরবা জি এস সি চুড়চান্দপুরনা মেটচ ৮ দা পোইন্ট ৯ ফঙল্লগা ৯ শুবা মফমদা লৈরি।

জি এস সি চুড়চান্দপুরগী মায়কৈদগী দিফেন্সতা মাইকেল তুনলাপালনা, মিডফিল্ডদা হেন্নরী কামৈনা অমদি এটেক্কিংদা মাঙলেম বোইনা লুচিঙখি অদুগা য়ু কে বিগী ষ্ট্রাটিংদনা দিফেন্সতা কে রোনাল্ডোনা, মিডফিল্ডদা লালমিনলিয়ান ভার্সফেনা অমদি এটেক্কিংদা লুনতিনমাঙ হাওকিপনা লুচিঙখি।

মেটচকী অহানবা হাল্ফকী অয়াম্বা শরুকশিংদি য়ু কে বি চুড়চান্দপুরনা বোল হেন্না পায়রগা শান্নদুনা মেটচ অসি মায়য়োন অমখক্কী ওইবা মশান্না ওইখি। অমদি মিনিট ৮ দা য়ু কে বিগী জর্সি নম্বর ১১ জোননা গোল একাউন্ট হাঙদোকখি। অদুগা মিনিট ২২ দা জি এস সি গী জর্সি নম্বর ১৪ মাইকেলনা আউল গোল চন্দুনা ২–০ দা মাঙজিল থাখি।

অহানবা হাল্ফকী মিনিট ৪১ অমদি ৪৪ চৎপবদা য়ু কে বিগী জর্সি নম্বর ১১ জোন অমদি জর্সি নম্বর ১৭ থাঙ্গৌলেননা অহেনবা গোল ২ হাপচিন্দুনা হাল্ফ লোয়বা ফাওবা ৪–০ দা য়ু কে বি চুড়চান্দপুরনা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাল্ফকী অঙনবা মিনিটশিংদা জি এস সিনা অচেৎপা থাজবা অমগা লোয়ননা শান্নরক্তুনা মিনিট ৫১ চৎপদা জর্সি নম্বর ২৮ সাদগৌথাংনা গোল হন্দোক্তুনা মেটচকী লমজেলদা অমুক য়াওশিন্নবগী মমি তাবা হৌরকখ্রবসু য়ু কে বি চুড়চান্দপুরগী দিফেন্সনা নীংথিনা ওর্গনাইজ তৌরগা শান্নখিবনা অহেনবা গোল হাপচিনবা ঙমখিদে লোয়ননা মেটুচকী অপীবা মিনিট লোয়দুনা অহাপ্পা মিনিট ৩ দা য়ু কে বিগী জর্সি নম্বর ৭ লামথিয়ালালনা টিমগী মঙাশুবা গোল অদু চন্দুনা মায় পাকখি।

মেটচ অসিদা জি এস সি চুড়চান্দপুরগী জর্সি নম্বর ১১ থাঙখোগেন, জর্সি নম্বর ১৪ মাইকেল অদুগা য়ু কে বি চুড়চান্দপুরগী জর্সি নম্বর ২ কামচোন অমদি জর্সি নম্বর ৫ লালমিনলুনদা মেটচ কন্দক তৌখিবা রেফ্রিনা ফাওল শান্নবগীদমক য়েলো কার্দ বুক তৌখি।

শান্নখিবা মেটচ অসি এস ঐচ সুরেস, পিঐচ লম্হোইবা, এল গোকুলানন্দ অমদি কেঐচ রঞ্জিৎনা মথংশীৎনা সেন্টর রেফ্রি, এষ্টিটেন্ট রেফ্রি–১, এষ্টিটেন্ট রেফ্রি–২ অমদি ফোদ ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

হয়েং অয়ুক পুং ১১.৪৫ তাবদা মুভানলাই এঠলেটিক কাঙপোকপী অমদি দি এম রাও সেকমাইগা অদুগা নুংথিল পুং ২ দা নিসা থাং মৈবন্দ অমদি ব্রাই য়ু এফ সি উখ্রুলগা শান্নগনি।

**Manipur State League Point Table**

| Team | P | W | D | L | F | A | GD | Pts |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| NEROCA FC | 06 | 05 | 1 | 0 | 22 | 07 | +15 | 16 |
| NISA | 06 | 05 | 1 | 0 | 19 | 06 | +13 | 16 |
| MUVANLAI | 06 | 05 | 0 | 1 | 13 | 06 | +07 | 15 |
| UKB | 07 | 04 | 2 | 1 | 18 | 10 | +08 | 14 |
| SSU | 06 | 03 | 2 | 1 | 12 | 07 | +05 | 11 |
| YUFC | 06 | 03 | 1 | 2 | 06 | 06 | 00 | 10 |
| NACO | 07 | 03 | 1 | 3 | 08 | 12 | -04 | 10 |
| SU | 07 | 03 | 0 | 4 | 07 | 08 | -01 | 9 |
| GSC | 08 | 03 | 0 | 5 | 12 | 18 | -06 | 9 |
| YPHU | 05 | 02 | 1 | 2 | 10 | 07 | +03 | 7 |
| AIM | 07 | 02 | 0 | 5 | 13 | 23 | -10 | 6 |
| AFC | 08 | 00 | 4 | 4 | 12 | 24 | -12 | 4 |
| KLASA | 06 | 00 | 1 | 5 | 02 | 10 | -08 | 1 |
| DM RAO | 05 | 00 | 0 | 5 | 01 | 10 | -09 | 0 |
| TRAU | 00 | 00 | 0 | 0 | 00 | 00 | 00 | 0 |

# প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল লাইন অপ লোয়খ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০৫ (এস এন এস)ঃ
ও এফ এ পুঙদোংবমনা শীন্দুনা মমাঙ থা ২৩ দগী টিম ২৪ না গ্রুপ–৮ থোক্লা খায়দোক্তুনা ও এফ এগী প্লে গ্রাউন্দা চত্থরিবা ১৮ শুবা ও এফ এ কপ ২০২০ গী অহানবা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা হয়েং নুংথিল পুং ১ তাবদা দ্রেস হাউস এফ সি পাৎসোই অমদি সবেন ষ্টার লংথবালনা শান্নগনি অদুগা অনীশুবা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেলদনা নোঙ্গ্রেন এফ সি অমদি সেক্তা (বি)না নুংথিল পুং ৩ তাবদা শান্নগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ২২ শুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দা গ্রুপ–বিগী ও এফ এ পুঙদোংবম অমদি মঙাল এফ সি খাবমনা শান্নখিবা মেটচতা মঙাল এফ সিনা ও এফ এবু গোল ১–০ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা মঙাল এফ সি খাবমগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু জর্সি নম্বর ৯ জেনিসনা মিনিট ৩০ চৎপদা চনখি।

২৩ শুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দা গ্রুপ–দিগী জোন এফ সি অচানবীগৈ অমদি ত্রিপল এ কোংপালনা শান্নখিবা মেটচতা জোন এফ সিনা ত্রিপল এবু গোল ৩–২দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা জোন এফ সি অচানবীগৈগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১৭ বিদাশ্বরনা মিনিট ৬, ২১ অমদি ৪০ প্লস ২ দা চনখি। মায়থিরবা ত্রিপল এ কোংপালগী গোলশিং অদুনা জর্সি নম্বর ৪ নাওচানা মিনিট ১৩ অমদি জর্সি নম্বর ৮ রাধাকান্তনা মিনিট ২১ চৎপদা চনখি।

লীগকী অরোইবা ২৪ শুবা মেটচ ওইনা অহুমশুবা গ্রাউন্দা গ্রুপ–ঐচকী সেক্তা (সি) অমদি সবেন ষ্টার লংথবালনা শান্নখিবা মেটচতা সবেন ষ্টারনা সেক্তা (সি)বু গোল ২–০ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা সবেন ষ্টার লংথ্বালগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১১ রোজরনা মিনিট ১৬ অমদি ৩৯ চৎপদা চনখি।

# আই পি এম এস সি অমদি ও এস এ মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, মার্চ ০৫ (এস এন এস)ঃ
য়ুনাইটেদ য়ুঠ ওর্গনাইজেসন শিংজমৈ ভৈগাবটি লৈকাইনা শীন্দুনা থা অসিগী ৪ দগী টিম ৩২ না নোট আউট বেসিসতা শরুক য়াদুনা ক্লব অসিগী গ্রাউন্দা চত্থরিবা অহানবা থোকচোম অনৌবী দেবী নীংশিং সোক্কর ফুটবোল টুর্নামেন্টগী তরুকশুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দা শান্নখিবদা আই পি এম এস সিনা ই এস সিবু গোল ৪–১ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা আই পি এম এস সিগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৯ লালঙম্বনরা মিনিট ৫, ১০, ২০ অমদি ২৫ চৎপদা চনখি। মায়থিরবা ই এস সিগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা জর্সি নম্বর ৭৭ তোম্বনা মিনিট ৪০ চৎপদা চনখি।

৭ শুবা মেটচ ওইনা অনীশুবা গ্রাউন্দা ও এস এ অমদি রোয়েল এফ সিনা শান্নখিবা মেটচতা ও এস এনা রোয়েল এফ সিবু গোল ১–০ দা মায়থিবা পীখি। মায় পাক্লবা ও এস এগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু জর্সি নম্বর ১০ এস কেনা মিনিট ৩০ চৎপদা চনখি।

৮ শুবা মেটচ ওইনা অহুমশুবা গ্রাউন্দা ব্রাই পি এ সি অমদি ব্রাই এফ সিগা শান্নখিবা মেটচতা ব্রাই এফ সিনা ব্রাই পি এ সিবু গোল ৩–০ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা ব্রাই এফ সিগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৭ কেলবিননা মিনিট ৪ অমদি জর্সি নম্বর ১৭ সামশননা মিনিট ৬ অমদি ৮ চৎপদা চনখি।

৯ শুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী মরিশুবা গ্রাউন্দা শান্নখিবা মেটচত সন্তোশ এফ সিনা য়ু ব্রাই দি ও (বি)বু গোল ২–০ দা মায়থিবা পীখি। মায় পাক্লবা সন্তোশ এফ সিগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১৫ অঙম্বা অমদি জর্সি নম্বর ৫ রিক্কিনাওনা চনখি।

১০ শুবা মেটচ ওইনা মঙাশুবা গ্রাউন্দা শান্নখিবা মেটচতা এম কেনা লিজেনবু য়াম লাকচন্না গোল ১৬–১ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা এম কেগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৯ সোমোকান্তনা গোল ৭, জর্সি নম্বর ১২ লনচেনবনা গোল ৬ অদুগা অতোপ্পা গোলশিং অদুনা জর্সি নম্বর ১১ লোয়া অমদি জর্সি নম্বর ৭ রোহিটনা চনখি। মায়থিরবা লিজেন এফ সিগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা জর্সি নম্বর ১০ এফলেনা চনখি।

# টি আর ব্রাই ভি সি মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০৫ (এস এন এস)ঃ
ওল মণিপুর ভোল্লিবোল এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা উপোকপী স্পোর্টস এসোসিয়েসননা শীন্দুনা থা অসিগী ৪ দগী উপোকপী এল পি স্কুল গ্রাউন্দা টিম ৮ না গ্রুপ–২ থোক্লা খায়দোক্তুনা চত্থরিবা মেন'স ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০২০গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা টি আর ব্রাই ভি সি উখ্রুল অমদি ব্রাই এম দি ও হৈরাঙ্গোইথোং মায় পাকখ্রে।

টুর্নামেন্টগী অনীশুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দা গ্রুপ–এগী টি আর ব্রাই ভি সি উখ্রুল অমদি ব্রাই দি এ ফুবাকচাউনা শন্নখিবা মেটচতা টি আর ব্রাই ভি সিনা ব্রাই দি এবু সেট ৩–০ দা মায়থিবা পীখি। মেটচ অসিদা টি আর ব্রাই ভি সিনা পোইন্ট ২৫–২৩, ২৫–২১, ২৫–১৯দা স্কোর তৌখি।

অহুমশুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দা গ্রুপ–বিগী ব্রাই এম দি ও হৈরাঙ্গোইথোং অমদি ব্রাই দি সি লাঙমৈদোংনা শান্নখিবদা ব্রাই এম দি ও হৈরাঙ্গোইথোংনা ব্রাই দি সি লাঙমৈদোংবু সেট ৩–০ দা মায়থিবা পীখি। মেটচ অসিদা ব্রাই এম দি ওনা পোইন্ট ২৫–২০, ২৫–২২, ২৫–২০ স্কোর তৌখি।

হয়েং অয়ুক পুং ৮ তাবদা টুর্নামেন্টগী মরিশুবা মেটচ ওইনা গ্রুপ–এগী টি আর ব্রাই ভি সি উখ্রুল অমদি স্মার্ট ময়াং ইম্ফাল বেঙ্গুলদা শান্নগনি অদুগা নুংথিল পুং ১ দা গ্রুপ–বিগী কচাথোর অমদি ব্রাই দি সি লাঙমৈদোংগা শান্নগনি।

# মণিপুরদগী য়ু–১৬ ক্রিকেটর ৫ খল্লক্লে

ইম্ফাল, মার্চ ০৫ (এস এন এস)ঃ
নেস্লেল ক্রিকেট একাদেমি, বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দির্য়াগী মীৎয়েং মখাদা নগালেন্দগী দিমারপুরদা এপ্রিল ১৩ দগী মে ১৩ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা অন্দর–১৬ বোইজ জোনেল কেম্প ফোর নোঠ ইষ্ট ষ্টেটতা শরুক য়ান্নবগীদমক ওল ইন্দিয়া জুনিয়র সেলেক্সন কম্মীটি (নোঠ ইষ্ট জোন)না মণিপুর ক্রিকেট এসোসিয়েসনদগী ক্রিকেটর ৫ খল্লক্লে হায়রি।

অন্দর–১৬ বোইজ জোনেল কেম্প ফোর নোঠ ইষ্ট ষ্টেটতা শরুক য়ানবগীদমক খল্লক্লবা মণিপুর ক্রিকেট এসোসিয়েসনগী শান্নরোইশিং অদুদি– ট্রাউ ক্লাকৈথেলগী শঞ্জেবম সোমোকান্ত খুমন, পি টি আর সি পাৎসোইগী খাইদেম জয়রাজ মৈতৈ, ব্রাই য়ু সি সি গী নিংথৌজম রোহিট, কদমজিৎ মোইরাংথেম অমদি সাইক্লোন থাংমৈবন্দগী নাওশেকপম মলেমঙানবনি।

# অম্ফানা নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, মার্চ ০৫ (এস এন এস)ঃ
ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসননা শীন্দুনা ইং ২০১৯ গী ওক্টোবর ২১ দগী ২৭ ফাওবা পাঙথোকখিবা এ এফ সি গোল কিপ্পীং লেভেল –৩ কোচিং সার্টিফিকেট কোর্সতা সাপম প্রেমকান্ত সিংহ অমদি লৌরেম্বম রোনিবলা চনুনা মায় পাক্লকপদা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগী মায়কৈদগী নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি।

# কাইলিয়ান মবাপ্পেগী হেটট্রিকনা পি এস জি ফ্রান্স কপগী ফাইনেল য়ৌনা পুশিনখ্রে



লিওন, মার্চ ০৫ (এজেন্সি)ঃ
কাইলিয়ান মবাপ্পেনা চনখিবা হেটট্রিক গোলনা পেরিস সেন্ট জরমেন (পি এস জি)না লিওনবু গোল ৫–১ দা মায়থিবা পীদুনা ফ্রান্স কপকী ফাইনেল য়ৌহনবা ঙমখি।

মেটচ হৌরকপা ১১ শুবা মিনিটতা য়ুম্ব্রু টিম লিওনগী শান্নরোই কার্ল তোকো ইকাম্বীনা পীরকপা পাস অমদা টিমমেট মার্টিন তেরিয়রনা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা মাঙজিল থাখি। শান্নবগী ১৪ শুবা মিনিটতা পি এস সিগী মবাপ্পেনা টিমমেট লেভিন কুরজব্রাগী মতেংনা গোল অমা চনদুনা ১–১ দা মান্নরগা অহানবা হাল্ফ লোয়শিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপাগী ৬১ শুবা মিনিটতা লিওনগী শান্নরোই ফার্ন্দো মারকেলনা চৎনা পথাপকী ব্রাংমদা ফাওল তৌরুবদগী রেফরিনা রেদ কার্দ উৎতুনা তাম্থোকখিবদগী লিওনগী শান্নরোই ১০ খক ঙাইহৌখি।

পি এস জিনা ফঙখিবা পেনাল্টি অমদা টিম অসিগী শান্নরোই ব্রাজিল মচা নেমারনা গোল অমা চন্দুনা ২–১ দা মাঙজিল থাখি। শান্নরোই ব্রাৎপগী খুদোংচাবা লৌদুনা পি এস জিগী শান্নরোইনা লেপ্পা লৈত্তনা এটেক হেনজিলকখি। ৭০ শুবা মিনিটতা পি এস জিগী অহানবা গোল চনখিবা মবাপ্পেনা গোল অমগা চন্দুনা ৩–১ দা মাঙজিল থাখি।

মখা তানা শান্নরকপা ৮১ শুবা মিনিটতা পি এস জিগী পাব্লো সরাভিয়ানা গোল অমগা হাপচিনবা ঙমখি। মেটচকী অরোয়বা মিনিটতা পি এস জিগী মমাঙদা গোল অনরী চনখ্রবা মবাপ্পেনা মহাক্কী হেটট্রিক গোল অদু চন্দুনা মেটচ অসি ৫–১ দা মায় পাক্তুনা ফ্রান্স কপকী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

অতোপ্পা সেমি ফাইনেল মেটচতা সেন্ট ইতেনি অমসুং রেনেজনা ঙসি অথেংবদা লম্বা তৌন্নরগনি।

স্পেনগী ফুটবোল টুর্নামেন্ট কোপা দেল রেগী সেমি ফাইনেলগী অনীশুবা লেগতা রিয়েল সোসাইটেদনা মিরান্দেজবু ১–০ দা থোয়দুনা এগ্রিগেটতা ৩–১ দা হেন্দুনা ফাইনেল য়ৌখি। মেটচ অসিগী মায় পাকপগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু ৪১ শুবা মিনিটতা পেনাল্টি অমগী মতেংনা মাইকেলনা চনখিবনি।

# স্বিম্মিংদা এন অনিলকুমার অমদি এল ধনঞ্জয়না গোল্ড মেদল লৌখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০৫ (এস এন এস)ঃ
ওডিষাগী ভুবনেশ্বরদা লৈবা কলিঙ্গা ষ্টেদিয়মদা চত্থরিবা ২৫ শুবা ওল ইন্দিয়া ফোরেষ্ট স্পোর্টস মীট ২০২০গী হুমনিচনবা নুমিৎতা মণিপুরগী এন অনিলকুমার অমদি এল ধনঞ্জয়না স্বিম্মিংদা গোল্ড মেদল লৌখ্রে।

এন অনিলকুমারনা ব্রেস ষ্ট্রোক ১০০ মিটরদা গোল্ড লৌখি। এল ধনঞ্জয় সিংহনা ৫০ মিটর ব্রেস ষ্টোক অমদি ৫০ মিটর বটর ফ্লাই সেনিয়র ভেটরানদা গোল্ড মেদল লৌখি। ধনঞ্জয়না ফোরেষ্ট স্পোর্টস মীট অসিদা পূন্না গোল্ড ৩ লৌখ্রে।

হেম্মর থ্রোদা টিঐচ লোকেন্দ্রানা গোল্ড লৌখ্রে। টেবাল টেন্নিসতা নোংমাইথেম অনা দেবী ফাইনেল চঙখ্রে।

চত্থরিবা ২৫ শুবা ওল ইন্দিয়া ফোরেষ্ট স্পোর্টস মীট ২০২০ অসিদা ষ্টেট ২৮ অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরিস ৭ দগী লাকপা পূন্না শান্নরোই ২৫০০ না শরুক য়ারি অমদি মরিপুরগীনা পূন্না শান্নরোই ৪৫ না শরুক য়ারি।

# পি টি সি সি ষ্টেট লেভেল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ঙসিদগী হৌরগনি

ইম্ফাল, মার্চ ০৫ (এস এন এস)ঃ
পাৎসোই তুলিয়াইমা সেপ্পুরি ক্লব (পি টি সি সি) পাৎসোই পার্ট–৩না শীন্দুনা হয়েং নুংথিল পুং ১২.৩০ তাবদগী মরিশুবা ষ্টেট লেভেল মেন'স ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২০ শান্নবা হৌরগনি।

টিম ১৮ না গ্রুপ–৪ থোক্লা খায়দোক্তুনা পাঙথোক্কদৌরিবা টুর্নামেন্ট অসি হৌদোকপগী থৌরমদা ষ্টেট প্লানিং বোর্দগী দিপুটি চিয়ারমেন, মণিপুর হেন্দলুম এন্দ হেন্দিক্রাফ দিভলপমেন্ট কো–ওপরেসন লিমিটেদকী চিয়ারমেন এস রাজেন সিংহ, চঙাঙ্গৈ গ্রাম পঞ্চয়াদগী জিলা পরিষদ সিনাম মারজিৎ, পাৎসোই গ্রাম পঞ্চয়াদকী জিলা পারিষদ লৌরেবম ওঙবী লাঙলেন লৈমা, পাৎসোই পুলিস ষ্টেসনগী ও সি হৈস্নাম সঞ্জয়, কে এন্দ ইদেন সার্বিসকী প্রোপাইটর অঙোম বোবি অমদি আই টি আই গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগী রির্টিয়দ দিপুটি ডাইরেক্টর তাওরেম সনাজাউবা সিংহনা মথংশীৎনা চীফ গেষ্ট, গেষ্ট ওফ ওন্নর অমদি প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা মেটচ ওইনা হয়েং নুংথিল পুং ২ তাবদা গ্রুপ–এগী য়েন্নিং এফ সি অব্রাংখুনৌ অমদি এ স্কার (বি) পাৎসোই পার্ট–১না শান্নগনি। অদুগা থা অসিগী ৭ গী নুংথিল পুং ১২ তাবদা গ্রুপ সিগী দ্রেস হাউস এফ সি অমদি আর এফ সিগা, নুংথিল পুং ১ তাবদা গ্রুপ–বিগী পান্থোইবী এফ সি অমদি এস ব্রাই দি এগা, নুংথিল পুং ২ তবদা গ্রুপ–এগী ই এস সি অমদি ঙাইরাংবম এফ সিগা অদুগা নুংথিল পুং ৩ দা রতন জোয়েল্লরি অমদি পি টি সি সিগা শান্নগনি।






Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, e-mail : sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com